ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯰꯷, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯰꯱꯴ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

# হুইয়েন লানপাউ

লৈবাকপোকপা, এপ্রিল ০৭, ২০২০, ইম্ফাল

৪৪শুবা চহী, ০১৪শুবা মশীং

## কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিনবা ঙমদবা

### মতিক চাবা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎপগী খুদম নত্তে

ফনা য়াম্না অকনবা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎলে হায়রগসু ইন্দিয়াদা কোরোনাভাইরসনা শিহনখিবা মীওই ১০০ হেনখিবগা লোয়ননা অনাবা মীগী মশীংসু ৪,০০০ হেনখ্রে। মালেমগী ওইনদি মীওই ৬৮,০০০ হেন্না শিখিবগা লোয়ননা অনাবা মীগী মশীং লাক্ষ ১২ হেনখ্রে। ইন্দিয়াদা কোরোনাভাইরসকী কেস মশীং খংহেন-হেনগৎলক্লিবসি দিল্লিগী নিজাম্মুদিনদা লাইনীং-লাইশোনগী থৌরম অমা পাঙথোকখিবগী মতুং তারকপদনি। হীরম অসিগী মতাংদা য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী জোইন্ট সেক্রেটরি লভ অগরৱালনা হায়খি, নিজাম্মুদিনদা টাব্লিঘি জমাট পাঙথোক্লমদবা তারবদি ইন্দিয়াদা কোভিন-১৯গী কেস মশীং কা হেন্না ৱাংলম্লোইদবনি। খুদোংথিনীংঙাই ওইরবা লায়না-লাইচৎ অসি নুংশিৎতসু শন্দোরক্লে হায়বগী মতাংদা মীয়ামগী পূক্নিংদা ফাওরিবা মিপাইবা কোকহন্নবগী পান্দমদা য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা হায়খি, অনাবা মীনা লোক খুবা, হাকথি খনবা অমসুং নিংশা শ্বর হোনবদা য়াওরকপা মহীক্লা লাইচৎ অসি শন্দোকপনি। নুংশিৎতা কোয়পাই-পাইদুনা লৈবা মহীক্লা কোভিদ-১৯ শন্দোকপা নত্তে। করিগুম্বা লায়না-লাইচৎ অসি নুংশিৎতসু শন্দোক্লম্বা তারবদি অনাবা মীওই অমগী ইমুংদা লৈবা মীপূম খুদিংমক লোইনা লৌনরমগদবনি। মালেমগী মফম অমত্তদা লায়না-লাইচৎ অসি নুংশিৎতা শন্দোকপগী খুদম থেংনদ্রি হায়না ইন্দিয়ন কাউন্সিল ওফ মেদিকেল রিসর্ছতা ইপিদমিওলোজি এন্দ কম্যুনিকেবল দিজিজেজকী মকোক ওইনা লৈবা রয়ন আর গঙ্গখেদকরনা ফোঙদোকখি। ৱর্ল্ড হেলথ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) নদি নুংশিৎতা কোভিদ-১৯ শন্দোকপগী খুদম থেংনরে হায়না ফোঙদোকখ্রবনি। দব্লিয়ু ঐচ ওনা হায়খি, অনাবা মীওই থল্লম্বা কা মনুংদা মতম শাংনা মহীকশিং কোয়পাই-পাইদুনা লৈহৌই। থোঙগী খূৎ পায়ফম অমদি ফক্লাংদসু মতম শাংনা মহীক পক্তুনা লৈহৌই হায়রি। মসিনা তোঙানবা ৱাফম অমা ওইখ্রগসু মালেমগী মফম অয়াম্বদা খুদোংথিনীংঙাই ওইরবা লায়না-লাইচৎ অসি খোঙজেল য়াঙনা শন্দোরক্লি হায়বসিমদি পূম্নমক্লা খঙনরবা ৱাফমনি। মীয়াম পূনবা য়াদ্রে খঙনা-খঙনা দিল্লিগী নিজাম্মুদিনদা থৌরম পাঙথোকখিবদুনা অমুক্লা হেন্না খুদোংথিনীংঙাই ওইহল্লক্লি। য়ুনিয়ন হেলথ মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্টনা হায়, দিল্লিগী নিজাম্মুদিনদা টাব্লিঘি জমাট পাঙথোকখিবদুনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াগী ষ্টেট ১৭তা মীওই ১,০২৩ কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইহল্লক্লে।

য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়রনা ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯গী হোটস্পোট ৪২ মশক খঙদোকখ্রে। মিনিষ্ট্রিনা ফোঙলকখিবা চেরোল অমনা হায়, লৈবাক অসিদা হৌজিক মপূং ওইনা কোভিদ-১৯ শন্দোরক্লিবসি মরু ওইবা মফম ৪২দগীনি। খুদোংথিনীংঙাই ওইরবা লায়না-লাইচৎ অসি লাকশিন্নবগী পান্দমদা হৌজিক লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা লোকদাউন তৌরি। মদুনা মরম ওইরগা স্কুল অমসুং কোলেজ পূম্নমক থোঙ লোনখিবদগী মহৈরোয়শিং মহৈ তম্বা ফংলক্তবা নুমিৎ ফনা য়ামশিল্লক্লে। হীরম অসিগী মতাংদা য়ুনিয়ন এদ্যুকেসন মিনিষ্টর রমেশ প্রোখ্রিয়াল নিশাঙ্কনা হায়খি, এপ্রিল ১৪দা কোভিদ-১৯গী ফীভম কূপ্না য়েংশিল্লবা মতুংদা স্কুল অমসুং কোলেজশিং নৌনা থোঙ হাংদোকপা নৎত্রগা হাংদোক্তবগী ৱারেপ লৌগনি। কোভিদ-১৯গী লাইচৎ মখা তানা শন্দোকপা থিংনবগী পান্দমদা মার্চ থাগী অনীশুবা চয়োলদগী স্কুল অমসুং কোলেজ পূম্নমক থোঙ লোন্দুনা লৈরকখিবনি। পি টি আইদা পীখিবা ইন্টরভিয়ু অমদা হ্যুমেন রিসোর্স দিভলপমেন্ট মিনিষ্টরনা হায়খি, ওজা অমদি মহৈরোয়শিংগী পুন্সি কনবা হায়বসিনা খ্বাইদগী মরু ওইবা থৌদাংনি। মহৈরোয়শিংগী চহী মাঙহন্দনবা হোৎনগনি। হৌজিকমক্কী ওইনা ৱারেপ লৌবদা অরুবা অমা ওইরি। অদুবু এপ্রিল ১৪দা কোভিদ-১৯গী ফীভম কূপ্না য়েংশিল্লগা মহৈলোইশঙশিং মখা তানা থোঙ লোনবা নৎত্রগা লোন্দবা হায়বদুগী ৱারেপ লৌগনি। ইন্দিয়াদা চাউরাক্লা মহৈরোয় ক্রোর ৩৪ রোম লৈ হায়না পল্লদুনা মিনিষ্টরনা হায়খি, অমেরিকাগী অপূনবা মীশিংদগী ইন্দিয়াদা লৈরিবা মহৈরোয়গী মশীংনা য়াম্বা হেল্লি। লৈবাক্কী তাঙলবা লন ওইরিবা মহৈরোয়শিংগী পুন্সি কনবা হায়বসি লৈবাক্কী মরু ওইবা থৌদাংনি। ওনলাইন্দা ক্লাস তৌদুনা মহৈরোয়শিংগী চহী মাঙহন্দনবা হোৎনগনি হায়রি। অদুম ওইনমক ইগজাম পাঙথোকপা নৎত্রগা পাঙথোক্তবগী ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরক্ত্রি। চৈরকসিদা মীপূম খুদিংমক ময়ূম-ময়ূমদগী মপান থোকহন্দ্রবসু কোভিদ-১৯ লাকশিনবা ঙমদ্রবনিনা ইন্দিয়াদা লোকদাউনগী মতম শাংদোকপা য়ানা লৈরে। মীয়াম্না মায়োক্নরিবা চানীংঙাই-থক্নীংঙাই লৈতবগী অৱাবসু অসুম-অসুম হেনগৎলকপা য়াই। ফীভম অসিদা লৈঙাক্লা মীয়ামগী অৱাবা কোকহন্নবা পান্থে অমা পুথোকপা মথৌ তাই।

### এডিটরদা থারকপা চিঠি

#### লাল্লকসিদা ঐখোয়গী থৌদাং

**ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,**

ঙসিদি ইলেক্ট্রো-ভিজুএল মিদিয়া অসি খম থেংনা চাওখৎলক্লবনিনা কদায় কদায়দা করি করি তৌরিবা হায়বদু য়াম্না থুনা উনীংবা, খঙনীংবা অদু উবা, খঙবা ঙম্লে। লাইবক থীরবা কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ অসিগীদমক টোটেল সটদাউনগী তঙাইফদবা লৈবনা মসিগীদমক হীদাক-লাংথক, মৈ-ঈশিং, চেঙ-এঞ্জাং য়াম্নসু মরু ওইরক্লি। চাদ্রবদি লায়না লাইচৎ কিনরক্লরোই, হুরান চিনথীবা য়াল্লকপা মশানা তারক্লনি। মতাং অসিবু লৈঙাক্লা পোরম পোলিসি উবীদুনা চেঙ, থাউ, হৱাই, তিলহৌ অদুগা মফম খরদনা চেঙতমক য়েনবীবা ইশেং শেংনা উজরে। থোইনা শাংথরুদ্রবসু পূম্নমক্লা খঙনরবা ঙাক্তনি। অদুবু মসিদা ৱাহং খরদি থোক্নরক্লি - চেঙ কেজি মরি অসিনা থা অমা মী অমনা চানরো হায়বিরিব্রা নৎত্রগা অৱাৎপা য়েন্নরো তাকপীরিব্রা? মিটর অমা লাপ্পনা য়ূমথোঙ ৫০না ফম্বা, লেপ্পা তৌনরক্লবদি করম্বা মখলগী কুম্মৈ ওইগদৌরিবনো? অশোন-অনা, লৈশাগী-পাখঙগী ইমুং ওইরগদি অৱাবনি, ইকায়বনি - নত্তবরা? মফম খরদা লম্বী থিংনরিবা অসিনা মৈহৌ লাংপোক, অতোপ্পা হান্নগী অনাবগী, খুদিংমক্কী চৎথোক-চৎশিন্দা খৎন-লাউনবা অমুক থোকহনগদৌরিব্রা? ভোটর চন্দবগী, ভারাদা লৈবগী চেঙসু পীবিগদবনি হায়নরক্লিবা অসিসু চুমদ্রবরা?

তৌবতদি ঐখোয়সু থবকশিং অসি মীয়ামগী ওইবনি, লৈকায়গী ওইবনি, ইশাগীনি হায়বসিসু মীয়াম্না খলহন্নীংই। ঐগী ঐগী থৌদাং শিন্নখিব্রা এ সী/এ সীগী মীহুৎশিং অদুদা হান্না হায়বিরবদি ফগনি খল্লি। মখোয়না ঙমদ্রগা সী এমদা তাইনসনু। লৈবাক্কী মকোকনি হায়দুনা মীপূম খুদিং সী এমদতা তাইনরবদি মাগী মোবাইল মুৎখিবা তাবনি। লৈকায় লৈকায়গী ক্লবকী মীওইশিংদা গ্লোব, মাস্ক, হীদাক লাংথক পীদুনা চেঙ কেজি মরি/মরি পেকেট শাহন্দুনা য়ূমথোং খুদিংদা চঙদুনা মী তরেৎ কেজি তরেৎ, মীকোক অমা পেকেট অমা পীবিরবদি ৱায়াম্নগনি থাজদে। চেঙ খূৎয়েন, হীদাক খূৎকাপ ঐগী মীগী নাইরবদি গনতন্ত্রনি ঐখোয়না শিহৌদ্রবদি খরসু ইঙ্গিৎনা খঙহনবা তারকই। লৈঙাক্লসু মেজোরিটিনি, মাইনোরিটিনি খনবীগদবা মতাংদু ওইরক্ত্রে খঞ্জে।

*অদোমগী - খাইদেম বোরসিংহ, ব্রক্ষপুর*

## থেংনরিবা লানসিবু কোভিদ-১৯লা নৎত্রগা সুপরফাইন লানলা?

হেক্তা হায়নীংলকই - ৫৯৯

**জিতেন নামৈরাকপম**

লান, লান, লানবু পাম্বা কনা লৈরিবগে? চাওখৎত্রিঙৈ মতমদা লান য়াম্না তৌনরম্মী। মুক্নবা শিংনবা, নমথবা, ঐ মঙায়রে কনবা-থৌবা নখোয় ঐখোয়গী ইখাদা লৈগদবনি হায়বগী লীচৎসি নঙগী চক হৌরকপদগী গ্রুপ-গ্রুপ খায়দোক্নরগা ত্বেন্টিফর্ষ্ট সেঞ্চুরি ফাওবসিদা চত্থরকি-খবা পুৱারীনা তাক্লি। হাৎনবা, শুনবা, লম লৌশিন্নবা, অকন-অথৌ তান্নবা অসুম্মাইনা অদুম তৌদুনতা লাকখি মালেমসিদা! হুই, হৌদোং, শা-ঙা, উচেক-ৱায়া, তীল-কাং (হায়দ্রোসফিয়র, লিথোসফিয়র, এটমোসফিয়র) হায়রিবা মালেমগী ওইবা ঈশিং, কংফাল, নুংশিৎকী মরক্তা হিংলিবা (বাইওফিয়র) জীব মচা-মচা, মাইক্রোসকোপকী মতেং য়াওদনদি উবা ফংদবা কুপথ্রবা মহীক ফাওবদা অঙম তান্নবদা লান শোক্নরকই। অমনা অমবু হাৎতোক্নবা নিংথৌ খুভম লৈত্রগসু ময়ামগী মকোক ওইনীংলকপা অহিংবা জীব কয়া'মা লৈ। অদুননি সর দরৱিন্না হায়রম্লিবা 'সরভাইভেল-ওফ-দি ফিট্টেস!'

নুমিৎ, থা, থৱান্মীচাক্তি অদুমক লৈহৌরি, হৌজিক ফাওবদা! মিল্লিয়ন মিল্লিয়ন কয়াগী হায়পোথেসিস পুথোকখিবশিং, সাইন্টিষ্টশিংগী থিওরি নৎত্রগা এষ্ট্রোনোমিশিংগী ৱাখল নৈনরুবদা কোক অসি উরু-উরু লৈদুনা ঙাওখৎলকই। নুমিৎ, থা, থৱান্মীচাক-নুংথিল, নুমিদাং, অহিং, অয়ূক ফাওবগী মতমসিদা থোক্লিবা নেচরেল ফিনোমিননশিং নৈনরুবখক্তদা অদুম য়ারে। খ্বাংদা শেৎলিবা খুদৈ অসিনা কোক্তা কোকয়েৎ ওইনা য়েৎশিল্লগা লম্বী সরক্তা মুরুম-মুরুম শোল্লগা চৎখিবসু কয়ানি। মালেম ইমাগী তম্পাক্তা চাউরকখিবা মীওইবনা অহৈ-অপা শাদুনা নেচরেল লো নৎত্রগা চৎন-কাঙলোন থুগাইরুবদগী জাৎ-জাৎকী থৌদোক থোকপ্রা খল্লকই। মদুসু নেচরেল দিজাষ্টর, কেলামিটি, অদুগা কনবা ঙমখিদবা মীওই লাক্ষ-লাক্ষতা শিখিবা তোঙান-তোঙানবা লায়না কয়া। সাইন্টিফিক এজসু হায়নৈ, মদুনা চাওখৎ লমজেলদা চেন-খৎলক্লিবা মখৈ কনবা ঙমখিদবা লায়না কয়াসু থোরকখি। গ্লোবেল ৱার্মিং লাক্লিবা মালেমগী মবুক হোগায়দুনা চিংথোরকখি লৈনুংদা ফংবা থাউ, কোয়লা, মখল য়াম্না ফংবা লৈনুংগী মিনরেল কয়া। মদুদা মালেম অসি শাউরক্লব্রা খল্লকই। থোকহল্লকখি অর্থক্বেক, ভোলকেনো, সুনামি ফোল্ডিং এন্দ ফাওলটিং, ইরপসন, ৱাইল্ড ফয়র, ঈকং, ঈচাও, এসিদ রেন ফাওবা চুহল্লকখি। এয়র পোল্ল্যুসন থোকহনবশিং ৱারক্লগে মতাগুম। মালেম ইমাদি ঈংনা তপ্পা, চিক্না লৈজবনি। মঙোন্দা শীংনরুবদগী অমুক অমুক প্রলয় তৌরক্তুনা মীশিং হন্থনবা হোৎনরব্রা খল্লকই।

অদুগা অমুকসু পুরানগী ৱা! ঐখোয়গী লমদম অসিগী ওইনসু লৈজরি। মায়চৌ কয়ানা হায়বিরম্বা প্রিদিক্সন, ফোরটেল তৌবিরম্বা চুমদুনা লৈখিবা থৌদোক কয়া কয়া। তেল্লবা কলম অসিদা ইপুধৌ খোংনাংথাবা খোয়না পুয়াদা ইহৌরবা চুমখিবা, চুমগদৌরবসু কয়া য়াওরবা মমল য়ামখ্রবা ৱাহৈ কয়া নৈনজরুবগী ইতিক নৎচদে। তৌবতবু মালেম পূম্বনা য়ানরবা পাঞ্জি হায়গদ্রা এষ্ট্রোলোজর ফ্রেঞ্চ মাইকেল দি নোষ্টদামসনা পীরম্বা প্রিদিক্সনশিংসু নীংশিংবা য়াই হায়জনীংই। ইজরিবা পাউচে হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লমায়দা কুমসি ২০২০গী ন্যু য়র নুমিৎ (য়ূমশকৈশা) তা ফোঙবিরকখি - কুমজা ২০২০ খ্বাইদগী শাথীবা ঈরাং থোকপা চহী ওইগনি : নোষ্ট্রদামস। ঐনা খঞ্জরুই অনৌবা চহী ২০২০ লাকপগী য়াইফ পাউজেল পীনরিঙৈ চৈরক্তা করম্বা খুদোংথীবা থোক্লগবা! মহাক্লা মালেম অসিদগী চৎখ্রবসু চহী ৫০০গী মমাঙদা হায়রম্বা ৱাফমশিং অয়াম্বা চুমদুনা লাকখিবা কয়া অখঙ অহৈশিংনা খুদম চাংদম কয়া পুথোক্তুনা চুম্মী হায়বদু তাকখ্রে। মহাক্লা হায়রম্বা তুংদা থোক্লক্কদবা থৌদোকশিং চুমখিবশিংগী নুমিৎ অদুদা ফোঙখিবা পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা য়াওখিবা ৱাফম খরা লৌখৎচরি। কোট - লেদি দায়না শিখিবা, এদলোফ হিটলরগী ঈহৌ হৌগৎলকপা, সেকেন্দ ৱর্ল্ড ৱার অমসুং ৯/১১নচিংবা থৌদোকশিং চুম্মী হায়না লৌনখ্রবনি। ২০২০দা থোক্লক্কনি হায়রম্বা ৱাফমশিং খঙমিন্নসি - চহী অসিদা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংগী মরক্তগা য়েংথিনবগী চাং হেনগৎকনি। ইন্দিয়াদগী হৌরদুনা মালেম পুম্বগী ইকনোমিগী ফীভম অঙকপা ফংনা শোকচিল্লক্লগনি। মালেমগী লৈবাকশিংগী মরক্তা সিভিল ৱার থোকপগুম মীয়াম্না লম্বীদা থোক্লক্তুনা খোল্লাউ কয়া লাউগনি। কুমজা ২০২০দা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমীর পুটিন শক-খঙদবা মীওইশিংনা হাৎনবগী হোৎনরকপা য়াই অমদি অমেরিকাগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্প অৱাবা কয়া মায়োক্নরগনি। ... মালেমগী মীপূম খুদিংগী ৱাখল ৱাগনি অমদি হৌখিবা চহী ৭০ রোমগী মনুংদা খ্বাইদগী অচৌবা খুদোংথীবা থৌদোকশিংগী মনুংদা অমা ওইগনি।...।

পাউচে অসিদা হন্দক্কী ন্যু য়র নুমিত্তা ফোঙখিবা পাউ অদু ঙসিদি খংচুম চুল্লকপগুম খল্লকই। কোভিদ-১৯না নোষ্ট্রদামসকী লাইফাও অদু হৌজিক্কী প্রজেন্ট সিচুয়েসন অসিদা খংচুম চুমহল্লকই। কুমজা ২০২০ খ্বাইদগী শাথীবা ঈরাং থোকপা চহী ওইরে। কোভিদ-১৯ থর্দ ৱর্ল্ড ৱারগুম মীওই কয়া হাৎলি, মহীক্কী লান শন্দোরক্তবা মফম য়াওশিল্লক্ত্রে। ন্যুক্লিয়রগী মপুনি মুকচবা অমেরিকা চাইনাদগী হৌরকপা মহীক্লা লান্দারক্লে। লোৎফম লৈরক্ত্রে। দোনাল্ড ত্রম্প অৱাবা মায়োক্নরে। পিকখ্রবা মণিপুরফাওবা য়ৌশিল্লক্লে। লোকদাউনগী চৈফুদা শ্বর থবেৎ থবেৎ হোল্লগা হিংনরি।

তেল্লবা কলম অসিদা ইজরুদ্রগসু পাবিরিবশিংনা হেন্না খঙবিরল্লগনি। কোভিদ-১৯না মী কয়া শিহনখ্রে, মী কয়া অনাবা ফহনখ্রে, হৌজিক মীওই কয়া ত্রিটমেন্ট চথরি নৎত্রগা ঐখোয়গী মণিপুরগী মীওই কয়া অমা য়ূমদা হল্লকপসু য়াদ, মপান থোকপসু য়াদ মীয়ামদা অৱাবা কয়া খাঙদুনা হিংলি। মতাং অসিদা খ্বাইদগী হেন্না ইকায়জবদি শিবা নৎত্রগা হিংবগী লান থেংনরিঙৈ চৈরকসিদা সুপরফাইন লেম্না য়েনবগী কিলো মশীং শুনা ফংই, ফংদেগী মতাংদা অমুক মীমাঙ থোরক্লে। হংজনীংবদি ঐখোয়না থেংনরিবা লান অসি কোভিদ-১৯ লা নৎত্রগা সুপর ফাইনগী লানলা হায়বসিনি। ●

## মীরম লাইনীংনা ইরম লাইনীংদা খোঙলৌবা - ১৬

ৱাখল ইহুল

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

মতুং তারকপা তাঙ্ককশিংদি মঙগী ৱারীদা য়ূম্ফম ওইবা মীরম লাইনীংনা হৌজিক ফাওবদা ইনাৎ লাইনীংদা খোঙলৌবসি চহী, মতম খরগী মতুংদদি মীরম লাইনীং চৈঙাক ফনা কন্না পীদুনা হিংহন্নবা হোৎনরবসু মতোমতা শিথজরক্লগা ইরমদমসিদগী মাঙখ্রগনি হায়না লমদমসিগী অহল ওইরবী নুপী অমগী মমঙদা তাক্লম্বা ৱারী মতেক অমগা পূন্না লেংশিল্লবা লৈ পরেংগুম মশক তাক্লবা হোৎনবদা, মরক্তা ওইফম থোকপা ৱাখলগী ৱায়েৎ (লোজিকেল অর্গুমেন্ট) না লৈচল ওইরগা খুদোল ওইগদবা ৱারেংশিংনি।

চীংলৈপাক - কংলৈপাক কোন্না মণিপুর হায়না খঙনরবা ইরমদমসিগী অরিবা পুয়াশিং নৈনবিরগা ইরমদমসিদা তোঙান তোঙানবা লমশিংগী/মফমশিংগী মমিংশিং করম্না কৌখি হায়বসি য়াম্না ৱানা অদুবু য়াম্না মপূং ফাবা মওংদা ওজা শরাংথেম বরমনিনা ইবা 'লম্মিৎলোন' কৌবা লাইরিকসিদগী খঙবা ঙম্বদি ইরমদমসিবু ময়াং হিন্দুগী মনুং চনবা চীংলৈপাক অমা ওইনা উহন্নবা ঙসিদগী চাওরাক্লা চহী চনীরোমগী মনুংদা হিংলিঙৈদা মীরম লাইনীংদা ঙাওজখিবা খরনা মখোয় মশেল মান্নরগা পংই ইশিন্দুনা হিন্দুগী পাথৌ অর্জুন কৌবদু ইরমদমসিদা ৱাখলনা কোয়রকহল্লম্বদা থোনখিবা লমশিংগী মমিংশিংনি কায়না হায়বা খুদম ওইনা, শগোলবন্দ, তাকয়েল পাৎ, লাংজিং, পাৎশোই, উরিপোক, থাংমৈবন্দনচিংবা কয়াসি ৱাখলনা পংশা শাজিল্লগা পংই ইশিল্লম্বনি হায়বসিনি অহানবমক্তদা থমজনীংবদি। অওৎ-অপা শাবা খুরক্কী ঈনা লাই শাবা মখোয় খরনা শেমজিন শাজিনখিবদুগী মরুওইবা ৱাখল্লোনদি ময়াং মচা অমগী থৌইনশিন্দগী মৈতৈ মৈহৌবরোল পুয়া কয়া শেমদোক্লে, অশেংবা পুয়াশিং মৈ থাদোক্তুনা মাঙহনখ্রবনিনা অশেংবা লংলা লংজিন পুথোকপা ঙল্লরোই হায়বা য়াম্না পংবা ৱাখল্লোনদুগীদমক হৌজিক্তা মখোয়শিংদুগীদমক ইকায়বা ফাওজে। অদুনা গুজরাটকী দ্বারকাদা ভাগ্যচন্দ্র মহারাজগী লৈখিদবা পাঙথোকপা কুমওন অমদা থম্নখিবা - অর্জুন, ব্রঙুবাহনগী অশেম্বা ৱারীশিং মতাং অসিদা থুপচিনজরে।

মথংদা 'কাইনা (লাখাই ফান্দোং চীং) থোনখিবা/কৌখিবগী ৱারীশিংগী মরমদা অইবা খরদগী লৌখৎচরগা ইজরক্নে। ওজা শরাংথেম বরমনি সিংহগী 'লম্মিৎলোন' গী মতুংইন্না (শমজিন্না) লংমাই নিংথৌ কাইনৌ চীংখৈরাকপনা মপারি পুরাবা মমোম পুরিবী অনীগী মতিক মথৌনা তৌবা ঙম্বা মরিংজেল য়েংনীংবদগী মপারি পুরাবদা উয়ুংখোক তোন্দম্বা অসি নিংশা শ্বরনা কান্নগা থুদেকউ হায়বদা ঙমদবদগী নতিক নথৌনা লৈবা ইপারি নত্তে হায়দুনা তাম্হোকপীরে। অদুগা মমোম পুরিবীদনা থৌদু নূং অমা শ্বরনা কান্নগা থুগায়নবা পীবদু ঙম্বদগী অশেংবা মমোমনি হায়না ময়ূমদা লৈহল্লে। মপানা তাম্হোকপীবদগী মৌপ্পা পুরাবনা চৎখিবদা মচেনা থোংবা তরা চাক চাদ্রবসু লমখাংদা চানবা চেঙ মপা খঙহন্দনা লোন্না পুরাবগী মফিদা চেঙ খরা য়োম্বীরে। মৌপ্পা পুরাবনা লাখাই ফান্দোং ফান্দোং চীংখায় কাখৎলকপদা নাম্থদুনা লৈবাক্তা চেঙ হৈদোকপদু চৈনাখোল খাঙলিঙৈদা লময়েন্না খুন্দুনা চাথোকখিবদগী মচেমগী মনাক্তা লাক্তুনা তল্লবদা লময়েন্দু ফানবা চেঙগা লাংগা পীরে। লংমাই পুরাবনা লাক্লগা মাগী তুফমদুদা চেঙ হৈদোক্তুনা লাং থাকপদা লময়েন অদু ফারে। লময়েনদু মখূৎনা পায়রগা - নঙগী নখোঙ অনীগা নকোক্লা ঐগী ওইরগা অরেম্বা নশা অনীনা ইচেম পুরাবীদা পীগে হায়বদা ইখঙ খঙহৌদনা লময়েন্দুনা নোক্লগা তাইবঙ মীগী খোঞ্জেন্দা লংমাই পুরাবদা শাউদনবা অসুম্না হায়রকই - ঐনা অমুক খোংবদা নয়ূম-নকৈ শাবিগে, তালোয় থিবিগে। ঐনা অমুক হন্না খোংবদা নষন নশোল থলহনগে, কাইরৈ য়েনগোন থলহনগে, নরন-নথুম পীবিগে। অসুম্না ঙাঙনদুনা লময়েন অদুনা খোংল-খোংলদুনা হায়নখিবশিংদু লোয়না তৌবিবদগী লংমাই পুরাবদু অৱাৎ অপা লৈতনা লাখাই ফন্দোং চীংদা মরাং কাইনা পানখি হায়বগী মফম অদু 'কাইনা' কৌনখি।

অতোপ্পা অমনা, তাং ৪/১২/২০১৯ ইং, পাউচেসিমক্তদা 'লাইখাই ফান্দোং চীং (কাইনা), অইবা : মঙাংচা নাওরেম হেরাঙম্বগী মতুংইন্না (শম্না) লাংমাই নিংথৌ কাইনৌ চীংখৈরাকপা (চীংশোংবা) না থম্বাল কৌবী লাইরেম্বী ইমাগা ফম্বাল তোংমিন্নরগা থংবী, থংবা হায়না মচিন-মৌপ্পা অনী পোক্ল চহী খরগী মতুংদা থম্বাল নোঙ্গাখিবদগী চীংখৈ মরূদগী হামৈ য়োনবী তেংলৈবী কৌবী অমা পান্নদুনা মতম খরা লৈমিন্নরম্লগা লংমাই নিংথৌ চীংশোংবা লৈখিদ্রে। মতম খরগী মতুংদা অমুক হামৈ য়োনবী তেংলৈবীসি চীংখোংদা লৈবা ৱাখা লাকপনা পুদুনা চৎখ্রে। অসোমদনা মচেনা মৌপ্পা থংববু থেল্লগা মমা তেংলৈবীবু ৱাখা লাকপনা পুদুনা চৎখিবা মফম্বু মমাগা থংননা ফমিন্নবী মমাগুম্বী অমনা তাকপীরকপদু য়ৌশিল্লক্তুনা মচিন মৌপ্পা অনীনা ইমা ইমা হায়না কৌবদু তাবদগী তেংলৈবীনা ইমুংদগী থোরক্লগা - কনানো ইমা-ইমা কৌরিবা ইচাকা লৈজদে, চৎলো চৎলো হায়রিঙৈ তাঞ্জাদা তেংলৈবীগী নুপা ৱাখা লাকপা থোরক্তুনা নুপী নঙবু নচা অমত্তা লৈতে হায়বদাই, লৈরবদি লৌশিল্লোদনা হায়রকই। তেংলৈবীনা ইমুংদা খুলৈ থুনা চংখ্রগা য়াংকোক্কা শুক অমগা পুথোরক্লগা - নুপীনিনা নঙনা (থংবী) য়াংকোকসি য়ূমথক লান্না লংনবা হায়বদা ঙম্বদগী মচানি হায়না লৌশিল্লগা মৌপ্পা (থংবা) দি শুকতু য়ূমথক লান্না লংবা ঙমদবদগী মচা নত্তে হায়না তাম্হোকপীরক্লে। অহিংদুমা মচেমগী মমাঙগী খোংবান মনুংদা হৌবা পাংখোকলা মরক্তা লৈরো - হোরেন ইচেনা তাওবা মাবু কৌবা শাদুনা নঙগী চাকথা পুরক্লে মদু চারগা লৈরো মচিন মৌপ্পা হায়নরে। নোংঙাল্লগা ইমাগা পম্থৌগনা লোইবী চীংদা চৎখ্রবা মতুংদা নঙগী চানবা চেঙ পুরক্লে অদুগা লাখাই ফন্দোং চীংদা লৈরুরোকো হায়নরগা - মচিন মৌপ্পানা হায়খিবদু থবক ওইনা পাঙথোক্লে। মচেনা পীরকপা চেঙদু চাক থোংনবা মৈ হৌগৎলিঙৈদা খঙহৌদনা ৱাবা কৌবা লময়েন্না চেঙশিংদু খুন্দুনা চাথোকখিবদগী মচেগী মনাক্তা অমুক চৎলগা থৌদোক্তু তম্মী। মচেনা চেঙ খরগা লাং অমগা থাক্নবা পীরকপদু লংমাই থংবনা তূল্লমদাইদা থাক্লম্বদুদা তাইবঙ মপুনা শায়োন তৌবা লময়েন ৱাবা কৌবা উচেক্তুনা ৱাবগী খোল্লেন মঙলান্দা - "ঐনা (মপুনা) নখোয়গী নতেং পাংনবা নঙগী লাংদা থুরে, ঐবু থাদোকউলাও, ঐনা তম্ফা খুদোপ য়াইওইবা নঙোন্দা পীনবা লাক্লবনি।" নোংঙাল্লগা চৎতুনা য়েংলুবদা লাংদা থুরবা ৱাবা নঙদি তাইবঙ মীরোল থোক্লা ঐগী অৱাবা তেংবাংগে হায়না লাকপনা - ঐসু লাইবক থিবনা ৱারে, নঙসু অৱাবা ঐগী লাংদা ৱাবা কৌনা থুদুনা ৱানা নোংঙানবা ঙাইরম্মে। লাই ওইবা ৱাবা য়েননা অসুম্না হায়রকই - ৱাবা য়েন ঐখোয়সু ইখোঙনা মালেম ইমাদা হোৎলগা চিঞ্জাক তান্দুনা চাবগুম তাইবংচা নখোয়সু খোঙগা খূৎকনা হোৎতুনা থিদুনা লেল্লু, করি ৱারুগদগে - সে ঐনা পীরিবা তম্ফা খুদোপ খূৎশা পানবা থোকউ হায়বদা থোকপসি হুল্লু হায়বা ৱাহৈসি অচুম্বা ওইবনা ৱাবা শায়োনবীরিবা তাইবঙ মপু নঙনা ঐবু ৱারৌবীদনা অপঙবা তাইবঙচানি খনবীদুনা ঙাকপীয়ু, নহাকসু নুংঙাইনা পাল্লু হায়না পুকমেন পাওমেন্নরবা মতুংদা লময়েন ৱাবদু থাদোকখ্রে। লংমাই থংবনা মচেগী মনাক্তা তম্ফা খুদোপ য়াইওইবদু পুদুনা চৎলুরগা মচিন মৌপ্পা পূন্না লাকমিন্নরে। মচিন মৌপ্পানা মালেম ইমাদা তাইবঙ চিঞ্জাক পীয়ু হায়দুনা মখূৎনা মালেম ইমাদা খোৎলগা পান, মাইরেন, হা, মরূ-মরাং মালেম ইমানা থাবীয়ু হায়না শিন্নদুনা তম্ফা য়াইওইবদু হুল্লে। চহী ওল্লকপদা মরূ-মরাং ময়াম তাইবঙ মপুনা পীবিবদগী ৱাৎত-পাদবা ওইদুনা নিংথৌগুম পুং পৈবগুম পৈরে হায়বগী লমলেম মাগী মমিংবু 'নিংথৌপুং' হায়না কোলোইনখি। লময়েন ৱাবা (তাইবঙ মপু) গা কায়নরমদাইদা লংমাই থংবদা হায়রম্বা ঙসি নঙনা মফম অসিদা নুংঙাই য়াইবী কাইনা পালহৌরো হায়বদগী 'কাইনা' কৌনখি।

মথক্কী হায়ফেৎ মান্নবা ৱারী মতেক অনীসিদগী ঐখোয়না খঙই মদুদি ইরমদমগী কাইনা চীং (লাখাই ফান্দোং চীং) হায়বসিদি মমাঙঙৈদগী মমিং থোন্দুনা লৈরকপদগী হৌজিক ফাওবা লেংদনা লৈরিবা মফমনি। অদু অদা হায়দনা মঙগী ৱারীদা য়ূম্ফম ওইরগা থোনজিনবসিদি ময়াং হিন্দু লাইনীং মরা চেৎশিনহন্নবা থোনজিনবনি হায়বদা লানগদবা মান্দে। মতম মতমগী নিংথৌশিংনা পংকৌ কৌশিনবা/থোনবসু য়াওদবদি নত্তে।

কংলৈপাকপু মণিপুর হায়না কৌরম্বসিদি অদুঙৈ পামহৈবা নিংথৌগী মতমদগী মমিং ওম্হোক্তুনা কৌরবা মতুংদা মশু শুথাং ওইবা ভাগ্যচন্দ্র মহারাজদা তেখাও লৈবাক্কী অঙাওবা শামু ফাও হায়বগী মতাংদা মমাঙদা গোবিন্দনা হায়রমই হায়বা ফজরবা ৱারেং খরসু লৈতবদি নত্তে। নাকল অমরোমদা অমুক - এ ব্রজকুমার শর্ম্মগী ৱারেং 'অনৌবা মণিপুর শেমগৎলম্বা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র' হায়বসিগী লা: ৭তা য়াওবগী মতুংইন্না - মৈতৈ সমাজদা, অসামদা ভাগ্যচন্দ্রনা শামু ফাখি, ফাখিদে হায়বা ৱাফমসিদা ঙসি ফাওবদা য়েৎনবা উরি। মতাং অসিদা প্রোফেসর গোর গোহাইন, এন্থ্রোপোলোজি দিপার্টমেন্ট, দিব্রুগর য়ুনিভর্সিটিগী মত মখাদা থমজরি :

ভাগ্যচন্দ্রনা ফাখিবা লমশা শামু অদু অঙাং ওইরিঙৈদা কবো লৈকায় (হৌজিক্কী দ্যুলালেন্দ) দা থাদোক্তুনা থমই। অঙাং ওইরিবা শামু মচাগা অঙাং ওইরিবা ভাগ্যচন্দ্রগা অনীমক মফম অদুদা লাক্নদুনা শান্নমিন্নখি। চাউরক্লবা মতমদা লমহেনবা শামু মচা অদু চৎখিদুনা অসামদা লৈখিবনি। শামুদি মতম কুইনা মনম নীংশিংবা ঙমই। অদুনা ভাগ্যচন্দ্রনা চঙলকপদা শামু অদুনা করিসু তৌখিদবনি। মতৌ অদু উবদা রাজেশ্বরনা শামু অদু হাত্তোক্লে তৌবদা ভাগ্যচন্দ্রনা হায়জবদগী হাৎখিদবনি। লা: ৭, মৈদিংঙু চীংথংখোম্বা - রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র, খোমজিনবা : লমাবম গোজেন্দ্র। লাইরিকসিগী লা: ৮গী মখা চত্থরকপদা ... মথক্তা থমজরিবা ৱাফম অনী অসি য়েংজরগা অসামদা ভাগ্যচন্দ্রনা শামু ফাখি হায়বদা চিংনবা খরদং ওইরবসু কোক্কনি নীংজৈ।

লাইরিকসিমক্কী লা: ৭৭তা প্রো: পোলেম নবচন্দ্রগী ৱারেং 'তেখাওদা চীংথংখোম্বা' হায়বসিদা - 'মণিপুরনা ঔৱাগী মখূৎ চনখ্রবদা মহারাজ অসিনা য়ূমথংনবা লৈবাক কছারদা চেন্দুনা অমদি তেখাওগী নিংথৌ রাজেশ্বর সিংহ (১৭৪২-৬৯) দগী মতেং লৌদুনা মরৈবাকপু কন্নবা হোৎনখিবগী থৌদোক ৱারীশিং অদু পূম্নমক্লা খঙনরবা ঙাক্তনি। তুংখুঙ্গিয়া বুরজিদগী খঙবা ঙম্বদি মণিপুরী নিংথৌ জয় সিংহ বরমিজশিংনা তাম্হোরকপদগী কছারদা লাঞ্জেল্লক্তুনা শাইদাংফম লৌদুনা লৈখি। অসুম্না লৈরিঙৈদা কীর্ত্তিচন্দ্র বরবরুৱাগী মতেংদগী স্বর্গদেব উন্নবা থৌরাং তৌখি। মহাক্লা স্বর্গদেবদা মণিপুরগী মহারাজ জয় সিংহ অমদি সনধিকারী রাজাবু সনামাঙদা পুজরক্লে, অদুগা হর গৌরীগী মুর্ত্তি অমসু পুরকই হায়না তমখি। স্বর্গদেবনা বঙ্গপুরগী কোনুংদা মণিপুরী অমসুং কছারী নিংথৌবু উন্নখি। ঈশৈ নোংমাইগী থৌরম কয়া পাঙথোক্তুনা নিংথৌবু পেলহনখি। মসিগা লোয়ননা বরবরুৱানা গৌরশ্যামগী মজাইবেম্মা কুরঙ্গনয়নীবু রাজেশ্বর নিংথৌদা থাজনবগী ৱাফম হৌদোকখি।

মথক্তা পঞ্জখিবা ৱাফম খরসি পূনশিল্লগা য়েংবদা ভাগ্যচন্দ্রনা তেখাওগী নিংথৌ স্বর্গদেবগীদা লৈ হায়বা শামু অঙাওবা ফাখি হায়বগী মতাংসি চুশিন্নবা খরা ৱাৎপ্রা খঞ্জে। মসিগী মথক্তা হান্না লমদমসিগী অঙনবা মতমদগী 'কাইনা হায়দনা মমিং থোন্দুনা/কৌদুনা লৈরবা চীং - লাখাই ফান্দোং চীং' হায়বসিগী চীংশাদা হান্নদগী ইপুধৌ পাখংবগী লুরবা শুরুং ওই তৌবা লাইফম হান্নদগী লৈবদু হৌজিকসু লৈ হায়না মশাগী চহী ৮০ হেল্লবা হৌজিক হৌজিক হিংলিবা অহল অমনা মশামক মফমদুদা হায়বদি শুরুংগীদুদা থৌনিবা চৎলুরে হায়না অইবা ইশাদা পাউদম্বগী অশেংবা ৱাফম লৈ। থমজনীংলিবা ৱাফমদি মীরম লাইনীংনা ঈনাৎ লাইনীংদা খুরৌ থাংবা হায়বসিগী অশেংবা থৌওংগী শরুক অমা ওইনবা মীরম লাইনীংগী লাই ওইবদুনা অতৈ মফমদা থৈবোংবু ওইগেরা করিবু ওইগেরা হৌরমগে হায়দুনা তেংবানবা মপুগী মফম ওইবা কাইনাদা থৈবোং ওইনা হৌরমগে হেক্তা হায়জিন্দুনা নিংথৌ অমগী মমঙদা লাক্তুনা খঙহল্লি কায়না হায়খিবা অপান্ননা তৌগে হায়দুনা তৌব্রা হায়বসি মখা তানা খন্ননীংঙাই কয়াসু লৈ। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।